**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-06-2026)**

**দিজিপি (এল)ঃ** রাজ্য পুলিসকী দি.জি.পি. মুকেশ সিংহ, ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাদা চৎতুনা মফম অদুদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথুরিবা ওপরেসনগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

শ্রী মুকেশ সিংহনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরসতা জিলা অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা দি.জি.পিনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চংশিল্লিবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি অমসং দ্রগ থিংবগী খোঙজংশিং হেন্না কনশিনবগী তঙাইফদবশিং ফোংদোকখি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিং, মশা-মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবগী মতাংদসু ফোংদোকপগা লোয়নন স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস.আই.টি) গী মখাদা পায়খৎলিবা কেসশিং থিজিনবগী থবক খুমাং য়াংশিন্না চংশিন্নবা অমদি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসারশিং খঙহনখি।

তুংদা, দি.জি.পিনা জিলা অদুদা মথৌ তৌরিবা সেন্ট্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্স অমসুং ভারত লাম্মীগী কম্যান্দিং ওফিসারশিংগসু মীফম অমা পাঙথোকখি। লৌউ পন্থা য়ৌরকপগা লোয়ননা লৌমীশিংদা মনুং হুনজিনবা মফমদা লৈরিবা লৌমীশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীননবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

খোঙচৎ অদুদা দি.জি.পিনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরসতা নৌনা শাবা ত্রান্সজিত গেষ্ট রুম অমসু হাংদোকখি।

দি.জি.পিনা চুরাচান্দপুর জিলাদসু চৎতুনা মফমদুদা মথৌ তৌরিবা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিএলশিং, অসাম রাইফলস অমদি তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। জিলা

অসিদা শান্তি রক্ষাগী ফিভম নীংথিনা ঙাক শেনবা, দ্রগ অমদি আইননা য়াদবা খুৎলায় পায়বশিং ফাগৎনবা হোৎনবদা নীংথিনা মথৌ পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

শ্রী মুকেশ সিংহনা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নবদা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা থল্লকপা ৱাফমশিং দি.জি.পিনা মুন্না তাবগা লোয়ননা মীয়ামবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবদা দরকার লৈবা আইনগী থবকশিং লৌখৎকনি অমসুং রাজ্য অসিদা নুংশি চান্নবা অমদি শান্তি পুরকবা হোৎনবদা সি.এস.ওশিংনসু অঙন্বা থৌদাং লৌনবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল) ঃ** মনিপুর পুলিসনা হায়রি-মীওই খরনা অচুম অরান খঙদবা অমদি মীয়ামদা খোইরাং খোইশাউনবা থোকহনগদবা ই-পাউশিং শেল্লগা তোঙান তোঙানবা সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা থাগৎলকপগী থবক খুদক্তগী লেপকদবনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা পুলিসনা হায়-অচুম অরান খঙদবা ই-পাউশিং মীওই খরনা শেল্লগা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা অসিনা কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংশিনদবা থোকহনগনি। মীয়ামসু অসিগুম্বা অরানবা ই-পাউশিংদা থাজবা থম্বীগনু।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা অসিগুম্বা ৱারোলশিংগী অচুম অরান খঙদোকবা মীয়ামনা সেন্ট্রেল কন্ট্রোল রুমগী ফোন নম্বর-৯৪৮৫-২৮০-৪১৯ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি। অরানবা পাউশিং সোসিএল মেদিয়াদা শন্দোক্লিবশিংগী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎকনি হায়নসু পুলিসনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**মিসিং (এল) ঃ** থা অসিগী ১১ দা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং সব-দিভিজনগী

মনুং চনবা লাইজোল ভেংদা ঈশিংগী ঈরৈনা চেন্থখিবা ক্লাস আইট তম্লিবী মহৈরোই নুপীমচা অদু ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা এস.দি.আর.এফকী মতেংগা লোয়ননা ঙসি নুপীমচা অদু থিবগী থবক অকনবা মওংদা চখ্থখি। নুপীমচা অসি ঈশিংগী ঈরৈনা হেক চেন্থখিবদগা মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা য়ুথ ক্লবশিং অমদি লুপশিংনা থিবগী থবক চখ্থদুনা লাকখিবনি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** হন্দক ভারতকী রাস্ত্রপতিনা সৌরিয়া চক্র পীদুনা ইকায় খম্‌বা উৎলকখ্রবা মনিপুরদগী ১১ শুবা পেরা স্পিসিএল ফোর্সতা থবক তৌরিবা মেজর-লৈশাংথেম দিপক সিংহবু ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

**ইয়ারপোর্ট(এল)ঃ** ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকা খুৎশমদুনা রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎতুনা রাজ্য অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা পুরকবা হোৎনদুনা লাক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টনা হায়-হোস্পিতালশিংদা অনা লায়েংদা চংবা পোৎলমশিং-এম্ব্যুলেন্স পীবা, স্কুল ৱাসরুম শেমগৎপা, স্পোর্টস গ্রাউন্দ শেমগৎ শাগৎপা অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপগী থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা কোরপোরেট সোসিএল রেস্পোন্সিবিলিটি (সি.এস.আর) গী খুখাংদা প্রোজেক্ট ২০ মায় পাকা লোয়শিনখ্রে। অতোপ্পা প্রোজেক্ট অনি অমনা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলি।

**কোর্ট (এল)ঃ** হায় কোর্ট ওফ মনিপুর দিসতিংগুইজ লেকচর সেরিজ ২০২৬

ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ-জষ্টিস-এন. কোতেশ্বর সিংহ, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস এম. সুন্দর অমসুং অতৈ মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এমশু (এল)ঃ** ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন (এমশু) না রাজ্য অসিগী ওইনা সিভিল সার্ভির্সেস পরিক্ষা থাগদৌরিবা কেন্দিদেট অনি দিল্লিগী কোচিং সেন্টর অমদা তমনবগীদমক খল্লে।

লুপ অসিনা চেরোল অমদা হায়-মীসন লমজিংগী মখাদা কোচিং সেন্টর অসিদা তমনবগীদমক মহৈরোই অনি খনখিবনি। মহৈরোই অনি অসিনা কোচিং তৌবদা চংবা শেনফমশিং লুপ অসিনা পুথোকপগা লোয়ননা থা ১১ গী লুপা লিশিং ১২-১২গী চাংদা স্তাইপেনসু পীগনি হায়রি।

**চহি ১২ (এল)ঃ** কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা ঙসি **'পি.এম-কিষান'** হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হৌজিক নুমিদাং পুং ৮ মিনিত ১৫ দা শঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

হিরম অসিদা রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর-পিটর সলামগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর-ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি। হায়রিবা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অসি হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২ মিনিত ১০ দগী অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা চেন্নেলদা অমুক হন্না তাবা ফংবীগনি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর য়াওনা

অৱাং নোংপোক লমদমদা ঙসি অকনবদগী য়ামা কনবা নোং চুগনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা খা-নোংচুপ্পগী হৌরকপা কুমগী নোং ময়াই থংবা অরাবিয়ান সি, মহারাস্ত্র, করনাতক্কা, তেলঙ্গানা, অন্দ্র প্রদেস, নোংচুপ বঙ্গাল, উরিষ্যা, ঝরখন্দ অমসুং বিহারদা য়ৌরক্লগনি। লৈবাক্কী অতৈ মফম খরদসু অখাক অরাও অমদি নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**কেম্প (এল)ঃ** রিলিফ সেন্টর ফোর দা ৱেলফিয়ার ওফ দিফ্রেন্টলিএবল পার্সন মনিপুরগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেসনেল ফাউন্দেসন ফোর ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কমুচীং কুলেনদা পাঙথোকখ্রে।

তাঙ্কক নাইনা চথুরকপা থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা অনাবশিংদা লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি। কেম্প অদুদা রিমসকী কম্যুনিতি মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী হেলথ এদুকেটর-এম. মেঘাচন্দ্র মীতৈনা লায়না-লায়ওংশিংদগী করমা ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। কেম্প অদুদা মীওই ১২৫ লায়েংখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা হেদক্কাটরস নাইন সেক্তর অসাম রাইফলসকী লমজিং মখাদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাংখোং রিলিফ কেম্পতা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইমুং মনুংশিংদা অনা লায়েংগী তেংবাং পীবতা নত্তনা হিংবদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। হেদক্কাটরস নাইন সেক্তর অসাম রাইফলসকী ৱাই.এস.এম. কম্মান্দর ব্রিগেদিয়ার-প্রিটয়ুস কুমারনা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগতগী লাকপা ওফিসিএল মরিগী কাংবু অমসুং

অসাম রাইফলসকী মেদিকেল ওফিসার মঙা শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা নুপী অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৭২০ লায়েংখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা ঙরাং ককচিং জিলাগী পল্লেন গেরিসনদা পাঙথোকখ্রে। মফম অদুদা লৈবা মীওইশিং য়াওনা পুন্না মীওই ১৯০ না ঈ দান তৌখি।

**ওকপা (এল)ঃ** মনিপুর বোর্ড অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বতা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা পাস তৌরবা ৱাবগাই অমসুং হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী য়াইফ লমজিং লুপ-চিঙামথকা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চান্দবাবু, রাজ্যগী হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসন, টুরিজম অমসুং সেরিকলচরগী জোইন্ট সেক্রেটরি-সোনিয়া এলাংবম, ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ লাইশ্রম সান্তাকুমার য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংল্লক্লবা খোঙজোম সার্কলগী মনুংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী তরামা ওক্কুনা মনা পীবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী খোঙজোম বজারদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সাউর্দ য়ুথ ইন্সেন্টিব এসোসিয়েসননা শিনবনি।

**ইগজাম (এল)ঃ** একাডমী সেসন ২০২৬-২৭ তা তোঙান তোঙানবা বি.এস.সি. নর্সসিং, ফারমাসি অমসুং এলাইদ এন্দ হেলথ কিয়ার কোর্সশিং কম্মন এন্ট্রান্স ইগজামিনেসন, এ.এন.এম. অমসুং এম.এ.সি. কোর্সশিং তম নবগী এন্ট্রান্স টেষ্ট থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোল্লগনি হায়না রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ মেদিকেল এদুকেসননা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

**মৈ (এল)ঃ** থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভি. ইম্ফাল পৱার হাউস সব ষ্টেসন, শেমজিন শাজিনগদবা লৈবনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী অয়ুক পুং ১০ মখায় ফাওবা হায়রিবা পৱার সব ষ্টেসন অসিনা মৈ পীরিবা মফমশিং মৈ ফংলোই হায়না মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ জিলাশিংদা দেমোগ্রাফিগী অহোংবশিং অমসুং কম্মিসননা মসিগী মতাংদা থিজিন্নবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী সাহনা কম্মিসনদা ঙমখৈগী মফমশিং, মেট্রো সহর অমদি উদ্যোগ লৈবা মফমশিংদা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে। মমাং থাদা কেন্দ্র সরকারনা মীতোপশিং চংশিল্লকপশিংনা মরম ওইরগা দেমোগ্রাফিদা অহোংবা লাকপশিং য়েংশিন্নবা অমদি লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎননবগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেমখ্রবনি।

**অসামঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী এ.এন. থারতি টু ট্রান্সপোর্ট ইয়ারক্রাফট ঙসি অয়ুক অসামদা লৈবা জোরহাট ইয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা কায়বগী থৌদোক্তা মীওই মঙা শিরে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা থৌদোক অদু লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী পাইলোট অনি অমসুং পার্সোনেল অহুম খুদক্তা লৈখিদবনি।

থৌদোক অদুবু কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না শ্রী রাজনাথনা ফোংদোক্লি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা উত্তরাখন্দগী ধেরাদুনদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান মিলিটরি একাডমীগী পার্সিং আউট পেরেডতা শরুক য়ারদুনা মায় পাক্লবা নুপী কেদেদ ৯ বু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী নুপীশিংবু হেন্না শক্তি পীবদা অসিগুম্লবা শিংথানিংঙাই ওইরবা লমদা মায় পাক্লকপা অসিনা অচৌবা খুদম অমা ওইরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ১৫৮ শুবা পার্সিং আউট পেরেড অদুদা ভারত লাম্নীনা অনৌবা ওফিসার ৪৪১ তরামা ওকখি। পেরেড অদুদা নুপী কেদেদ য়াওনা পুন্না কেদেদ ৫১৫ না অর্ন্টিমপাগ লান্দুনা আর্মি ওফিসার ওইবগী মংলান মংফাওনহনখি। কেদেদশিং অদুগী মনুংদা অতোপ্পা মপান লৈবাক্তগী কেদেদ ৩৪ য়াওরি। মখোয়শিং অদু ত্রেন্নিং লোইরবা মতুং মশা মশাগী মরমদা চৎতুনা আর্মি ফোর্সেসতা মথৌ তৌগনি।

**আর্মিঃ** লেফটনেন্ট জেনরেল-ধিরজ সেদনা চীফ ওফ দা আর্মি ষ্টাফ ওইরগনি। মহাকা থা অসিগী ৩০ দগী থবক পায়বা হৌরগনি। মহাক হৌজিক আর্মি ষ্টাফকী ভাইস চীফ ওইনা থৌ পুরি। হৌজিক হৌজিক চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিগী মহুৎ মহাকা শিল্লগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না চেরোল অমদা হায়-লেফটনেন্ট জেনরেল-ধিরজ সেদ, নেসনেল দিফেন্স একাডমী-খদকৱাসলাগী মহৈরোইনি। মহাকা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী কাউন্টর ইন্সরজেন্সি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা দায়ত্ব লৌখিবা মীশক অমনি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎলকপদা সেন্ট ফ্রান্সিসকো বে এরিয়া ষ্টেদিয়মদা কটারগা সুইটজরলেন্দগা শান্নগনি।

নোংঙাল্লমদাই পুং অহুম খায়দনা ব্রাজিলগা মোরোকোগা শান্নগনি অদুগা অয়ুক পুং ৬ মখায়দনা হাইতিগা স্কোটলেন্দগা শান্নগনি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচতা- ইর্ষ্টন স্পোটিং য়ুনিয়ননা রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়নবু পেনালতিদা ৫-৩ থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস-থৌবালনা শিনদুনা থা অসিগী ১০ দগী ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরকখিবা ৬৫ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ইন্টর স্কুল সুভরতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে। চহি ১৭ মখাগী নুপামচাশিংগী কাংলুপ্তা এ.জি. মেমোরিএল একাডমী-চরাংপাৎনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখি অদুগা রুরেল একাডমী-ৱাংজিংনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা রন্নরস অপ তাখি।

চহি ১৫ মখাগী কাংলুপ্তা এ.জি. মেমোরিএল একাডমী-চরাংপাৎনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখি অদুগা তেকচম হায়স্কুলনা পোইন্ট তরুক ফংদুনা রন্নরস অপ তাখি।

**ফুটবোলঃ** সাফ ৱিমেন চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা ভারতনা মায় পাকপদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা মনিপুরগী শান্নরোই অনি-পান্থোই এলাংবম অমসুং পিয়াঙ্কা নাউরেমবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।